# নাইজেরিয়াগী স্কুলদা এটেক তৌখিবগী থৌদোক য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলনা কন্দেম তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : নাইজিরিয়াগী কাটসিনা ষ্টেটতা লৈবা সেকেন্দরি স্কুল অমদা এটেক তৌখিবা অমসুং য়ামদ্রবদা মহৈরোয় ৩৩৩ থীবা খঙহনখিদবগী থৌদোক য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

ফাখিবা অঙাংশিং কন্দিসন য়াওদনা খুদক্তা থাদোরক্লবা অমসুং মখোয়বু ইমুং মনুংশিংদা তেক্তা কায়দনা য়ৌহন্নবা সেক্রেটরি জেনরেলনা আপীল তৌরি হায়না সেক্রেটরি জেনরেলগী স্পোক্সমেন ষ্টেফেন দুজারিকনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহৈতমফমদা এটেক তৌবা হায়বসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওবগী খ্বায়দগী শাথিবা মওংনি হায়না গুটেরেসনা নৌহৌননা ফোঙদোকখি। মহাক্না নাইজেরিয়াগী ওথোরিটিশিংদা স্কুলদা এটেক তৌদুনা অঙাং কয়া ফারিবশিং অদুগী ৱায়েল মায়োক্নহন্নবা আপিল তৌখি।

নাইজেরিয়াগী গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়াম্না টেররিজম, কা হেনবা থৌওংশিং অমসুং ওর্গনাইজ ক্রাইম থেংনরিবদু য়ু এননসু শৌগৎলি হায়বসি সেক্রেটরি জেনরেলনা নৌহৌননা চেৎনা ফোঙদোক্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

গভর্ণমেন্ট সাইন্স সেকেন্দরি স্কুলদা চথখিবা এটেক অদু দিসেম্বর ১১ গী অহিংদনি। কাটচিনা ষ্টেটকী কনকারা এরিয়াদা লৈবা স্কুল অদুদা মহৈরোয় ৮৩৯ তম্মী হায়খি।

কিদনেপ তৌখিবা অঙাংশিংগী চপ চাবা মশিং লেপ্পবা হৌজিক ফঙলিবা রেকোর্দতা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়না অঙাং ৩৩৩ ফোরেষ্টকী ওফিসলশিং নত্রগা মখোয়গী মমা-মপাশিংগী খুথাংদা থিবগী থবক চথুরি হায়না ষ্টেট গভর্ণর অমিনু মসারিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

হৌজিকসু উমংদগী অঙাংশিং থোক্লকপা লেপ্তবনা ঐখোয়না ফোন নম্বর খঙবা মমা মপাশিংদা ফোন তৌদুনা মখোয়গী অঙাংশিং য়ুমদা হল্লক্লব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা হোৎনরি। মহৈরোয়শিং কিদনেপ তৌখিবা গ্রুপ নত্রগা মীওই অমত্তনা হৌজিক ফাওবা গভর্ণমেন্টদা কন্টেক্ট তৌরকপা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মসারিনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা বোর্দিং স্কুল পুম্নমক খুদক্তা থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে। প্রসিদেন্ট মুহাম্মাদু বুহারিনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা বোর্দিং স্কুল পুম্নমক থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে অমসুং মহৈরোয় অমত্তা অসোই অঙাম থোকহল্লোয়দবা মওংদা এটেক্করশিং অদুবু ফাননবা সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

# অনৌবা ফার্ম লোশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগা য়ান্নবা পুরকপা য়াবগী থাজবা লৈরেঃ টোমার



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : এগ্রীকলচরগা মরী লৈনবা লোশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরক্তুনা লৌমীশিংগী খোঙজং অদু থুনা লোয়শিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না য়ুনিয়ন এগ্রীকলচর মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ টোমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, অশেংবা লৌমী লুচিংবশিংনা থোক্লক্তুনা ইশ্যু অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনগনি। গভর্ণমেন্টগী পোলিসি অমদি তৌগে খল্লিবশিং চুম্মী অদুনা লৌমীশিংগী অশেংবা লুচিংবশিংনা মাঙলোমদা চোঙথোরক্লবা মতমদা ইশ্যু অসিগী ৱারোইশিন লাক্কনি।

টোমারনা হায়খি, ইশ্যু অসিগী সোল্যুসন পুরক্নবগী লম্বীদা খুরৌ থাংহনবা মীওই খরা লৈ। মখোয়না ৱারেপ অমা লাকহনবা পামদে। তৌইগুম্বসুং লৌমীশিংগী অশেংবা লুচিংবশিংনা শোয়দনা অশেংবা লম্বী পুথোরক্লগনি। এজেন্সিগী এক্সক্লুসিভ ইন্টরভিয়ু অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মীওই খরনা লো অহুন্মক ৱিথদ্রো তৌহনবা পাম্মী। অসুম্না মখোয়না ইশ্যু অসিগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌহনবা পামদে। মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টি খরদা মীৎয়েং থল্লগা হায়খিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রীকলচরগী মথক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট পঞ্চায়তি রাজ অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজসু পায়রিবা টোমারনা লুচিংদুনা লৌমীশিংগী মীহুৎশিংগা রাউন্দ মঙাগী মনুংদা মরি ৱারী শান্নখ্রে। মহাক দিসেম্বর ৮ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা লৌমীশিংগা মীটিং তৌখিবদসু য়াওখি।

লৌমীশিংগা ৱারী রাউন্দ কয়া শান্নখিবগা মরী লৈননা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা টোমারনা হায়খি, তশেংনা হায়রবদা লৌমী মীহুৎশিংগী মরক্তা মহাক মথন্তনা লৌমীশিং অমসুং অনৌবা লোশিং অদুগী মরমদা ঙাঙগনি হায়বা মীশকয়াওদে। য়নিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈরবদি ইশ্যুশিং গভর্ণমেন্টগা খন্ন নৈনগদবনি।

অনৌবা এগ্রীকলচরেল লোশিংগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরিবদুনা মরম ওইদুনা এগ্রীকলচরগী লমদা অহোংবা কয়া পুরক্নবা হোৎনবদা মোদি গভর্ণমেন্টনা করম করম্বা খুরৌশিং মায়োক্নবগে হায়না হঙবদা মহাক্না হায়খি।

অসিগুম্বা অনৌবা রিফোর্মশিং পুরকপা মতমদা মীওই খরগী ৱাখলদা চিংনবা কয়া পোক্লকপা য়াওই। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনা চিংনরিবশিংদু কোকহন্নবা হোৎনখি। মখা তানসু চীংনবা কোকহন্নবা হোৎনখিগনি। সোল্যুসন অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়না থাজবসু থল্লি হায়খি।

# রশিয়ান হেক্করশিংনা য়ু এস ত্রেজরিগী ঈ মেলশিং খঙদোক্লবা হোৎনরম্লে



ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : রশিয়াগীদমক থবক তৌবশিংনি হায়বগী থাজবা লৈবা হেক্করশিংনা য়ু এস ত্রেজরি অমসুং কম্মর্স দিপার্টমেন্টশিংগী ইন্টরনেল ঈ মেল ত্রাফিক মোনিটর তৌরক্লি হায়না হীরম অসিগী মতাংদা খঙবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মীওইশিং অদুগী মতুং ইন্না, হৌজিক ফাওবদা খঙবা ঙম্লিবা হেকশিং অদু তশেংনা তৌরমগদবা অসিগুম্বা থবকশিংগী শরুক খরখক্তং ওইরম্বা য়াই। কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী এজেন্সিশিংগী মনুংদা অমদা হেক তৌরম্লে হায়বসি কনফার্ম তৌবা ঙম্বা নত্তনা য়ু এস ওফিসিএলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লিঙাই ইরৈ লৈতবগুম তৌরি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা মখোয়না সাইবর সিক্যুরিটি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রাকচর সিক্যুরিটি এজেন্সিদা খঙহনখ্রে।

নেস্নেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন জোন উলিওটনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদুগা মরী লৈনবা ইশ্যুশিং খঙদোক্তুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা মহাক্না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলি।

য়ু এস গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হেকিং অদুদা কনা চেন্নবগে হায়বসি খঙলে নত্রগা খঙদ্রি হায়না ইফোং ফোংনা ফোঙদোরক্ত্রিবা ওইরবসু ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মরমদা খঙবা মীওইশিংগী মনুংদগী মীওই অহুম্না তৌখিবা এটেক অদু রশিয়াগী খুৎনি হায়না থাজরি।

মীওইশিংদুগী মনুংদা অনীনা হায়, হেকশিং অদু য়ু এস গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবদা নত্তনা কম্মর্সিএল কনত্রেক্ট কয়া লৈবা মরু ওইবা সাইবর সিক্যুরিটি কম্পনি অমা ওইরিবা ফায়র আইদা হন্দক্তসু হেক তৌখিবা অচৌবা কেম্পেইন অমগা মরী লৈনৈ হায়রি।

অমরোমদা ৱাফম অদু য়ু এস মীদিয়ানা রশিয়াবু য়ু এসকী এজেন্সিশিংগী মায়োক্তা সাইবর এটেকশিং চথনবা হোৎনৈ হায়না য়ুম্ফম য়াওদনা মরাল শিবগী অতোপ্পা থৌওংনি হায়না রশিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোসবুক পোষ্টতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

সাইবর স্পাইশিং অসি এগজিক্যুটিভ ব্রাঞ্চ, মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স সার্ভিসশিংদা গভর্ণমেন্ট কষ্টমরশিং সর্ভ তৌরিবা আই টি কম্পনি সোলর ৱিন্দসনা রিলিজ তৌখিবা অপদেটশিংদা তুমিন্না খুৎথারগা মখোয়গী পান্দমশিং ফঙনবা হোৎনখিবনি হায়না থাজনরি।

সপ্লাই চেন এটেক হায়না খঙনবা ত্রিক অদু অহুমশুবা পার্টিশিংনা তার্গেটশিংদা পীবা লিজিটিমেট সোফৱেয়র অপদেটশিংগী বোদিদা অতোপ্পদা শোকহনবা য়াবা কোদ লোৎশিল্লগা পাঙথোকই হায়না হীরম অসিগী মাতংদা খঙবা মীওইশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

# আই ঈ দি পোকখায়বদা সি আর পি এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট শিরে

সুকমা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : ছটিসঘরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা আই ঈ দি পোকখায়বগী থৌদোক অমদা শোকখিবা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট অমা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সী আর পি এফনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসর অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা মাওইষ্ট ঈরাং কনবা মফম অদুদা সিক্যুরিটি ওপরেসন অমা চথুরিঙৈদা অশোক অপন নঙখিবনি। সী আর পি এফকী ২০৮ শুবা বাটালিয়নদা দিপ্যুট তৌখিবা বিকাশ কুমার রাইপুরগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা পুখৎলবা মতুং অহিং নোংয়াইদা লৈখিদবনি। ওফিসর অসি অখন্নবা ওপরেসন অমা পাঙথোকখিবা সী আর পি এফ অমসুং ছটিসঘর পুলিসকী অপুনবা টিম অমদা য়াওখিবনি।

মহাক কিষ্টারাম ফোরেষ্ট এরিয়াগী কাসারাম নালা মনাক্তা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা আই ঈ দি বোম অমা পোকখায়রকখিবা থৌদোক অদুদা শোকখিবনি। শোক্লবা বিকাশ লাইকন্নবগীদমক হেলিকোপটরনা রাইপুরদা পুখি। থৌনা ফরবা ওফিসর অসি ওপরেসন মতুং অহিং নোংয়াইদা মথ্বায় থাখি হায়না সী আর পি এফনা ফোঙদোরক্লি।

উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগর দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবা কুমার সী আর পি এফকী স্পেসল ওপরেসন য়ুনিট অমা ওইরিবা কোব্রা বাটালিয়নদা দিপ্যুট তৌখি। ব্যালিয়ন অসি পেরামিলিটরি ফোর্স অর্মীগী গুরিলা টেক্তিক্স অমসুং জঙ্গল ৱারফেয়রদা হৈশিংলবা স্পেসল ওপরেসন য়ুনিট অমনি। ওফিসর অসিগী হকচাংদু ইনিদগো ফ্লাইট অমনা রাইপুরদগী দেল্লিদা পুখি। মহাক্কী হকচাং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক্তা দেল্লিদগী মহাক্কী পোক্লফম টাউনদা পুগনি হায়রি।

অমরোমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্টকী চিদাইদা মিলিটেন্টশিংগা নোংমৈ কাপ্পবদা শোকখিবা পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি) গী লিদর অমগী পর্সোন্নেল সিক্যুরিটি গার্দ অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা লৈখিদ্রে।

পুলিস সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, পি দি পিগী লিদর হাজি প্রভাইজ অহমদকী সিক্যুরিটি গার্দ অমা ওইনা দিপ্লোই তৌখিবা সেলেক্সন গ্রেদ কন্সটেবল মঞ্জুর অহমদ নুমিৎসিগী অঙনবদা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈনা কাপক্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

# মাইগ্রেন্ট ১৪ ভেনিজ্যুএলাগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবান্দা শিরম্লে



কারাকাস, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : ভেনিজ্যুএলাদগী ত্রিনিদাদ অমসুং টোবাগোদা চৎপশিংনি হায়না থাজবা মীওই ১৪ সাউথ আমেরিকন লৈবাক অমগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবান মনাক্কী ঈশিংগী শরুক্তা শিরগা লৈরম্লে হায়না ভেনিজ্যুএলাগী ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রিনিদাদ অমসুং টোবাগোনা হকচাং খরা ঈশিংদা থেংনরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রবা মতুংদা ভেনিজ্যুএলান ওথোরিটিশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

য়ামদ্রবদা ভেনিজ্যুএলান ৪৩,০০০ ত্রিনিদাদ অমসুং টোবাগোদা লৈ। ভেনিজ্যুএলানশিং অদু অয়াম্বনা মখোয়গী লৈবাক্কী শেল থুমগী ক্রাইসিস, থবক ফঙদবা অমসুং পব্লিক সর্ভিসশিং কা হেন্না ৱাৎপগী খুদোংচাদবশিংদগী নাম্বোক্লবা চেনবশিংনি।

মখোয়না চানবা পোৎলম অমসুং ফ্যুএল মরাং কায়না য়াওদনা অমসুং কেপাসিটিগী মথক্তা অমনবা অপিকপা ফীভম শোক্লবা হিশিংদা তোংদুনা চৎলি। হৌখিবা চহীদা য়ামদ্রবদা জহাজ অনী ভেনিজ্যুএলা ত্রিনিদাদ অমসুং টোবাগো তম্না চৎখিবদা সমুদ্রদা মাঙখি। হকচাংশিং অদু থাংজ নুমিত্তা সমুদ্র মপানগী টাউন গুইরিয়াদগী নোটিকেল মাইল ৭ লাপ্পা ঈশিংদা থেংনখি হায়না ভেনিজ্যুএলা গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। অহানবগী হকচাং ১১ অদুনা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা উরকখি। অদুগা অতোপ্পা হকচাং অহুম হায়বদি নুপা অনী অমদি নুপী অমগী হকচাংশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা উরকখি। মীওইশিং অদু সমুদ্রদা মাঙখিবগী মতাংদা কনামতনা রিপোর্ট তৌরকখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, ভেনিজ্যুএলাগী ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। মখোয়না গুইরিয়া এরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা ক্রিমিনেল গ্রুপশিং চেন্নরম্বা য়াবগী চিংনবা ফোঙদোকখি।

ত্রিনিদাদ অমসুং টোবাগোনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায় অহানবগী ইনফোর্মেসনদগী শিখিবশিং অদু দিসেম্বর ৬ তা মীওই ২০ হেন্না তোংলগা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট সুক্রেগী গুইরিয়া টাউন থাদোকখিবা হি অমগা মরী লৈনরম্বা য়াবগী ইঙ্গিৎ ফঙখি। মীওইশিং অদুগী মরমদা নুমিৎ অদুদগী হৌনা তারকখিদ্রবনি হায়রি।

# বি জে পিগী লিদরগী সিক্যুরিটি অপগ্রেদ তৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিগী নেস্নেল প্রসিদেন্ট জে পি নাদা অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি কাইলাস ভিজয়ভার্গিয়াগী কোনভোইদা এটেক তৌখিবা নুমিৎ মরিনি মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্টরনা ভিজয়ভার্গিয়াগী সিক্যুরিটি ইষ্টর্ন ষ্টেট অসিদা 'জেদ' তগী 'জেদ প্লস' কেটিগরিদা অপগ্রেদ তৌখ্রে।

জেদ কেটিগরিগী সিক্যুরিটি পীরিবা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি অসি কুমজা ২০১৯ গী ফেব্রুৱারীদগী সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) না ঙাক শেন্দুনা লাকখি।

ভার্তিয়া জনতা পার্টিগী সিনিয়র লিদর অসি কুমজা ২০২১ দা এসেম্ব্লি মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বি জে পি এফ্যেয়র্সকী ইনচার্জ হাপখি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যিয়র্স (এম ঐচ এ) কী ওর্দর অমনা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গল খক্তদা ভিজায়ভার্গিয়াদা 'জেদ প্লস' সিক্যুরিটি পীরগনি অমসুং এসেম্ব্লি মীখলগী মাঙওইননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ঈরাং থোক্কনবা মফমশিংদা চথোক চৎশিন তৌবদা মহাক বুলেটপ্রুফ কার অমা শীজিন্নহনগনি।

অপগ্রেদ তৌরবা সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টশিংদুগী মখাদা সী আই এস এফকী কম্মান্দোশিংনা বি জে পিগী লিদর অসিদা মখা তানা সিক্যুরিটি পীখিগনি। মহাক্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চৎপা অমসুং লৈবদা পর্স্নেল সিক্যুরিটি ওফিসর অনীগী মথক্তা মহাক্কী সিক্যুরিটিগীদমক সী আই এস এফকী কম্মান্দো ৭০ রোম দিপ্লোয় তৌগনি হায়খি।

# অসাম গভর্ণমেন্টনা মাদ্রাসাশিং অমসুং সংস্কৃট টোলশিং থিংজিন্নবগী বিল পুথোক্লগনি

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : গভর্ণমেন্টনা চলাইবা মাদ্রাসাশিং অমসুং সংস্কৃট টোলশিং থিংজিন্নবগী বিল অমা অসাম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট এসেমব্লিগী লাক্লিবা নীংথম মীফম মনুংদা পুথোক্লগনি হায়রি।

ষ্টেট অসিগী মাদ্রাসা অমসুং সংস্কৃট টোল (স্কুল) খুদিংমক থিংজিন্নবগী প্রপোজেল অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অমদা এপ্রুভ তৌখি। চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দা সোনোৱালনা কেবিনেট মীফম অদু প্রীসাইদ তৌখি। অসাম লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী নীংথম মীফম দিসেম্বর ২৮ দা হৌগদৌরিবনি।

ষ্টেট পর্লিয়ামেন্টরি এফ্যেয়র্স মিনিষ্টর চন্দ্রামোহন পাতোৱারিগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অমনা হায়, মাদ্রাসাশিং অমসুং সংস্কৃট টোলশিংদা হৌজিক চৎনরিবা লোশিং মুখৎলগনি। মথংগী এসেমব্লি মীফমদা থৌরাং অদুগীদমক্তা ঐখোয়না বিল অমা পুথোক্লগনি হায়না পাতোৱারিনা মখা তাখি। অসামদা মাদ্রাসা ৬১৩ চলাইবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২৬০ চাদিং তৌদুনা লাক্লি হায়না ষ্টেট এদ্যুকেসন মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা গভর্ণমেন্টনা মাদ্রাশাশিং মতমগা চানবা মহৈ-মশিন তম্বগী ইন্সটিট্যুটশিং ওন্থোকপা পাম্মী হায়খি। চৈরকসিদা মাদ্রাসাশিং অদুগী হৌজিক লৈরিবা টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফকী ফমশিং তৎহন্দনবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩০০ চাদিং তৌরগনি।

অতোপ্পা সোর্ছ খরগী মতুং ইন্না অসাম গভর্ণমেন্টনা মাদ্রাসা খরা সেকেন্দরি স্কুলশিং ওন্থোক্লবা অমসুং খরনা থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। ষ্টেট এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টদা মাদ্রাসাশিং থিংজিন্নবগী ৱারেপ থবক্তা ওন্থোক্লবা কেবিনেট মেমোরেন্দম অমা শেম্নবা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্টরগী ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মাদ্রাসাশিংগী মশিং অমসুং সেঙ্গসন তৌবা ওজা মশিং হাঙদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবগীদমক কৌখ্রে হায়রি। ষ্টেট মাদ্রাসা এদ্যুকেসন বোর্দ অসাম (এস এম ই বি এ) গী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা প্রোভিন্সিএলাইজ অরাবিক কোলেজ মরি, টাইটল মাদ্রাসা, ১৪, সিনিয়র মাদ্রাসা ১৩৩ অমসুং প্রি সিনিয়র মাদ্রাসা ১৩৩ লৈ হায়রি।

# সেক্স দিটরমিনেসন টেষ্টশিং পাঙথোক্লম্বা ডোক্টর মতৈ মনাও ফারে



গুরুগ্রাম, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : গুরুগ্রামগী সেক্টর ২২ দা হাংবা প্রাইভেট ক্লিনিক অমদা রেইদ চথবদা ডোক্টর মতৈ-মনাও অমা লোনা য়াদবা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং নুপানি নত্রগা নুপীনি খঙদোক্নবগী টেষ্টশিং পাঙথোক্লম্বগী মরালদা ফারে হায়না পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পি এন দি টি নোদেল ওফিসর কম মেদিকেল ওফিসর অনিলগুপ্তনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী টিম অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মন্ত্রা ক্যের এন্দ দাইগ্নোষ্টিক সেন্টরদা রেইদ তৌখি। রেইদ অদুদা টিম অদুনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অদুদগী শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০ ফাখি। সেন্টর অদুগী ডোক্টর অনী অমসুং মখোয়বু মতেং পাংলিবা পিনকি অমসুং হরিরামনা শাশিন্নবা মীরোনবী নুপী অমদগী মহাক্কী পুক্নুংগী অঙাংগী সেক্স লেপথোক্লবগীনি হায়দুনা লুপা ৫০,০০০ লৌখি।

থাজবা য়াবা অকক্নবা পাউ অমা ফঙবদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টগী টিম্না শাশিন্নবা মীরোনবী নুপী অদু প্রাইভেট ক্লিনিক অদুদা কষ্টমর মালহল্লগা থাজিনখি। মহাক্না পিনকি অমসুং হরিরাম উনখি। মখোয়না মঙোন্দগী লুপা ৫০,০০০ লৌখি অমসুং মঙোন্দা ডা. সুমিত সিনগালগী ফোন নম্বর পীখি।

মদুগী মতুংদা শাশিন্নবা নুপী অদুনা টিম অদুদা মহাকপু নোংমাইজিং নুমিত্তা সেক্টর ২২ দা লৈবা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অদুদা লাক্নবা হায়রক্লে হায়না খঙহনখি। টিম অদুনা হায়বশিং পুম্নমক মহাক্না ইনখি অমসুং মহাক্কী অলত্রাসাউন্দ সেন্টর অদুদা ডা. অপার্না সিনগালনা কন্দক্ট তৌখি। সেন্টর অদুদা তৌখিবশিং অদু নুপী অদুনা টিম অদুদা তমখি অমসুং মহাক্কী পাউদম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা টিম অদুনা সেন্টর অদুদা রেইদ তৌখি অমসুং মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুদগী লুপা ৫০,০০০ লৌখৎখি হায়রি।

প্রি-নেটেল দাইগ্নোষ্টিক টেক্নিক্স (পি এন দি টি) এক্ট অমসুং মেদিকেল টর্মিনেসন ওফ প্রেগ্রেন্সি এক্টগী চানবা সেক্সনশিংগী মখাদা ডোক্টর মতৈ মনাও অমসুং মখোয়বু মতেং পাংলিবা মীওই অনীগী মায়োক্তা কেস অমা পালাম ভিরাহ পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়না পুলিসকী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখি।

# কেরালা হায় কোর্টনা এক্স মিনিষ্টরদা বেল পীখিদ্রে



কোচি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : পালারিভাতোম ফ্লাইওভর নিংখায়খিবগী কেসতা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি করপসন ব্যুরো(ভি এ সী বি) না হৌখিবা থাদা ফাখিবা হান্নগী পি দব্লিয়ু দি মিনিষ্টর অমসুং ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগ (আই য়ু এম এল) গী সিনিয়র লেজিস্লেটর ভি কে ইব্রাহিম কুঞ্জুনা বেল পীনবা হায়জখিবা ৱাফম কেরালা হায় কোর্টনা য়াখিদ্রে।

হান্নগী মিনিষ্টর অসি কোচিদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা কেন্সরগী লায়েং চথুরিঙৈদা ভি এ সী বিনা ফাখিবনি। মহাক ত্রিটমেন্ট প্রোটোকোলগী মতুং ইন্না মখা তানা হোস্পিটলদা লৈরি।

অদুম ওইনমক মহাক হৌজিক্তি হোস্পিটালদা লৈরিবা ওইবনা দিসচার্জ তৌরক্লবা মতমদা মহাক্না ইনৌ নৌনা এপ্লিকেসন অমা থাবা য়াগনি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি। মমাঙগী থাদা লৱার কোর্ট অমনা মহাক্কী বেল প্লি রিজেক্ট তৌবা লৈখ্রবনি।

হান্নগী মিনিষ্টর কুঞ্জু ফাবগী মতাংদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন্না পিনারায়ি ভিজায়ন গভর্ণমেন্টবু চৈ-থাংখি। মহাকপু ফারিবদু ওপোজিসন ৱাহন্নবা পৱার শীজিন্ননবগী থৌওংনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা পলারিভতোম ফ্লাইওভর শাবগা মরী লৈনবা করপসনগী কেস অমদা ভি এ সী বিনা কুঞ্জুদা কয়ারক হন্না ৱাহং পাউহং তৌখ্রবনি। ফ্লাইওভর অদু নৌনা শানবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা মদুগী থবক হৌখ্রবনি। মহাক কেস অদুদা মরিশুবা এক্যুজনি।

লুপা ক্রোর ৪২ চঙখিবা ফ্লাইওভর শাবগী থবক উম্মেন চান্দিনা পাল্লিঙৈ মনুংদা হৌখি। মিটর ৭৫০ শাংবা ফ্লাইওভর অদু চহী ১০০ হেন্না চৎনবগী পান্দমগা লোয়ননা শাহনখিবনি। মদু কুমজা ২০১৬ গী ওক্তোবরদগী শীজিন্নবা হৌখি। চহী অহুম লৈরগা ফ্লাইটভর অদু মফম কয়াদা মতেক মতেক কয়া নীংখায়রকখিবগা লোয়ননা থিংজিনবা তাখি। ফ্লাইওভর অদু ষ্টেটনা চলাইবা রোদস এন্দ ব্রিজেজ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগীদমক্তা দেল্লিদা বেজ তৌবা আর দি এস প্রোজেক্টসনা শাখি। প্রোজেক্ট অদুগী সুপরভিজন কন্সল্টেন্টনা কে আই টি সী ওনা ওইখি। অশোয়বা লৈখিবা ফ্লাইওভর অদু শাখিবা মতমদা কুঞ্জুনা পি দব্লিয়ু দিম নিষ্টর ওইখিবনি।

# চরুখোক মৈ থাবা পোল্যুসনগা মরী লৈনবা ইশ্যু অমা ওইদ্রেঃ সেন্টর

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : চরুখোক মৈ থাবা অসি দিসেম্বর ৩ দগী দেল্লিদা এয়র পোল্যুসন থোকপগী ৱাফমগা মরী লৈনদ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা খঙহনখ্রে।

এয়র পোল্যুসন কোকহন্নবা নেস্নেল কেপিটেল রিজন অমসুং তাইনবা মফমশিংদা কম্মিসন ওফ এয়র ক্বান্টিটিনা হৌজিক ফাওবদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং খঙহল্লক্নবা লৈবাক অসিগী টোপ কোর্টনা সেন্টরদা খঙহনখিবনি।

সেন্টরনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এদিস্নেল সোলিসিটর জেনরেল আইশ্বারিয়া ভাতিনা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস এস এ বোরদেনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা থমখিবা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি মদুদি চরুখোক মৈ থাবা অসি দিসেম্বর ৩ দগী এয়র পোল্যুসনগা মরী লৈনবা ইশ্যু অমা ওইদ্রে। এয়র পোল্যুসন কন্ট্রোল তৌনবা কম্মিসন্না হৌজিক ফাওবদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা অকুপ্পা এফিদিভিট অমা গভর্ণমেন্টনা ফাইল তৌরগনি। নুমিৎ অসিদগী চরুখোক মৈ থাবা লেপখ্রে। জষ্টিস এম এস বোপাননা অমসুং জষ্টিস ভি রামাসুব্রমানিয়মসু য়াওরিবা বেঞ্চ অদুদা হৌজিক ফাওবদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং শেংনা পনবা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরক্লবা খঙহনখিবনি। ভাতিনা এফিদেটিভ অদু য়ুমশকৈশা ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌগনি হায়না ভাতিনা বেঞ্চ অদুদা খঙহনখি।

টোপ কোর্ট অসিনা কেস অদুগী মখা তাবা হিয়ারিং শাগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোক্লবা লেপখি। হিয়ারিং মনুংদা পিটিসন্নরগী মহুৎ শিল্লিবা সিনিয়র এদভোকেট ভিকাস সিংহনা মহাক্কী সবমিসনদা কম্মিসন্না হৌজিকফাওবদা করিমত্তা তৌবা লৈতে অমসুং হৌজিক লৈরিবদু পব্লিক হেল্থ ইমরজেন্সিগা মান্নে হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, কম্মিসনগী মেম্বর ১৪ লৈ। তৌইগুম্বসুং মখোয়না হৌজিক ফাওবা পোল্যুসন কন্ট্রোলগা মরী লৈননা করিমত্তা তৌদ্রি। হৌজিক ফাওবদা মখোয়না পোল্যুসন কন্ট্রোল তৌনবা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা কুপ্পা পনবা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌগদবনি।

এদভোকেট ভিকাসনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা পিটিস্নর অদিত্যা দুবেনা দেল্লি এন সি আর রিজনদা এয়র পোল্যুসন থোকহনবদা চরুখোক মৈ থাবা অসিনা থৌদাং লৌই হায়বসিদা মরী লৈনবা পুম্নমক্কী মীৎয়েং চিংশীনবা পামখি। চরুখোক মৈ থাবা হায়বসি চহী খুদিংগী থোকপা অমা ওইনা মশক থোকপা খোঙথাং খরা লৌখৎফম থোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। অতোপ্পা পিটিস্নর অমা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিনিয়র এদভোকেট সিধার্থ ভাটনগরনা মহাক্কী সবমিসন্দা চরুখোক মৈ থাবগী চাং চাদা ৫ হেনগৎলে হায়খি।